# সী এম এ টি মেগা-ফেষ্টিবেলগী নুংনাংনীংঙাই ওইবা ৱারোল খরা

**- এস ইন্দ্রকুমার-**



কংলৈ লিভিং আর্ট (কংলা) উচিৱা'না শীনবা, ১১শুবা ফেষ্টিবেল ওফ নেরেটিভ আর্টস এন্দ কংলা থিএটর মরাথোন' ফেব্রুৱারী ৫, ২০২৫দগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ১১দা লোইশিনখিবা, নুমিৎ তরেৎনিগী কুম্মৈদু ৱারেংজরিবা ইশামক্কী ওইনদি ওন্থোক্লা নুংঙাইজবা মতম অমা ওইনা থোকখি। তোঙান তোঙানবা মণিপুরগী মফম কয়াদগী থিএটর ওর্গনাইজেশন ১৮না পুথোকপা দ্রামা তরানিপান অমসুং থৌরম মপু ওইরিবা 'কংলা', উচিৱাগী এগজিবিশন শো অমগা পূন্না দ্রামা তরামাপন উৎখিবা, মণিপুরগী ওইনদি অচৌবা থিএটর-ইভেন্ট অমনি। থৌদোক-ৱাথোক, লুহোং-কৈহোং থৌরম খরগা ফাওজিন্নবা, তঙাইফদবা মতাং থোকপদগী দ্রামা অহুমখক্তি য়েংবা ফংজহৌখিদে।

থিএটর-ইভেন্ট অদুগী অকুপ্পা, অশাঙবা পাউদম অমা ইগে খন, পায়খৎলুবা কলম নত্তে। দ্রামাশিংদু য়েংবা চৎপদা, পর্ফোর্মেন্সশিংদু হৌদ্রিঙৈ, পর্ফোর্মেন্স অমগা অমগগী মরক্তা, থিএটর গ্রুপশিংগী এক্টর, দিরেক্টর, রাইটর, টেক্নিসিয়ন, ম্যুজিসিয়ন, লাইট-দিজাইনর, মেক-অপ-আর্টিষ্ট'নচিংবা কলাকারশিংগা উনদুনা ৱারী শাবা, ইন্টর-এক্সন তৌনবগী তাঙলবা তাঞ্জা অমখক ফংখি। অদুগুম্বা তাঞ্জা মমাঙগী থিএটর ইভেন্ট অমত্তদা ফংখিদে। অনৌবা এক্সপরিএন্স অমনি। মখল কয়াগী ৱারী ৱাতায় মরক্তুদা য়াওরকখি 'অনৌবা পাউ অমা'। চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী মতমদা (হৌজিক্তি ফম তারবা) মণিপুরগী কলাকারশিংগীদমক্তা পায়খৎখিবা অখন্নবা থৌরাংশিংগী মরক্তা অমনি - চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙ'। থিএটর তৌজরিবা সংস্থানশিংদা, অফবা লীলা পুথোক্লবা পীবা শেলগী মতেং। চহী খরা হৌখরে- থৌরাং অসি হৌদোকখিবা। মমাঙঙৈ, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি'না শীন্দুনা, মখোয়না খনগৎলবা থিএটর ওর্গনাইজেশন খরগী দ্রামা ফেষ্টিবেল, 'ওল মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল ফোর ক্রিয়েটিব দিরেক্টরস' হায়না মিংথোনবা, দ্রামা ফাংনবদুদা পীরম্বা লুপা লিশীং তরেৎ-নিপান-তরাগী মতেংদু নত্তে। কনাদা কয়া পীবা, প্রাইভেট ওইবা ইনফোর্মেশন'দুদি ইজররোই। অদুবু, থিএটর গ্রুপ অমগী সিনিয়র দিরেক্টর অমনদি হায়রম্মী - হন্দক্তি চহী কুনমঙা শুরবা/হেল্লবা অরিবা সংস্থানশিংদদি লুপা লাখ অমমখায় পীবনি, অতৈদনা লুপা লাখ অমমম। মখোয়গীদমক ঐহাক হরাওবীখি। থম্মোয়দা নুংঙাইবা পোকপীখি। খনখি-অসুম্না শেন্থং পীবিরবদি সংস্থানশিং অফবা লীলা কয়া মায় পাক্লা, ফজনা পুথোকপা ঙম্লনি। থাপ্ল-থাপ্লবা মফমদগী এক্টর/এক্ট্রেস কয়ানা রিহার্সেল স্পেস তম্না লাকপগী কনভেয়েন্স এক্সপেন্স ফাওবা পীবিনবা লৈত, রিহার্সেল লোইরগা চান-থক্লবা চা-কোফি-রিফ্রেসমেন্টকী পৈশা পুথোকপীনবা লৈত ৱাজরিবা... প্রোব্লেম নত্তবা প্রোব্লেমশিংনা অচৌবা শীংনবা ওইখিবগী অৱাবদুদি লৈররোই। অদুগীসু মথক্তা প্রদক্সন কোষ্ট। সেট, ম্যুজিক, কোষ্টুম, প্রোপর্টিজ, লাইটিং, মেক-অপ... লোইনাইদ্রবা লিষ্ট'নি। থাঙ্গৎপীনবা ৱাত্তবা, থাংথবীনবা লৈতবা পোৎলুমশিংদু থাংথবীনবা অমদি থোরক্লেদনা! পূম্নমকসিগী মথক্তা পর্ফোর্মেন্স স্পেস! লীলা উৎফম লৈতবা হায়বসিসু থিএটর পামজবা কলাকারশিংগী মফমদদি অহেনবা পোৎলূম অমনি।

ৱারেংসিগী অহৌবদা পঞ্জখিবা, মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন কমপ্লেক্স'তা থিএটর সর্কলগী মরুপ-মপাং, ইচা-ইনাওশিংগা উনবগী তাঞ্জাদুদা হেন্না নুংঙাইবা পাউ অমগা তারকখি - সী এম এ টি স্কিমগী মখাদা শেন্থং ফংলবশিংগী প্রদক্সন (দ্রামা, শুমাং লীলা, জগোয়) শিং লৈঙাক্লা পর্ফোর্মেন্স-স্পেস পীরগা, ফেষ্টিবেলগী মোদেলদা উৎলগা মীয়ামদা য়েংহনগদৌরি। চহী খরগী মমাঙদা অসিগুম্বা এক্সর্সাইজ অমা চন্দ্রকীর্তি ওদিটোরিয়মদা তৌখিবা থেংনখরে। নুংঙাইবা, কান্নবা মথেল অমা ওইখি। মখা তানা চথখিদ্রে। মানা মানা থোকপা, খুদোংচাবা য়েংদুনা উৎপা পর্ফোর্মেন্সশিং অখন্নবা অয়েংবশিং চেবাউ কত্তুনা কৌরগা য়েংহনখিবরা? মরুপ-মপাংশিংনা তম্লকপা পাউ তাখি- থাদখিবা শেনফমগা উৎলক্লিবা পর্ফোর্মেন্স-ক্বালিটিগা চানদে খন্না ওথোরিটিনা পেন্দবা পোকপা য়াওনখি। অদুগুম্বা নেগেটিভ-ইমপ্রেসন অদুনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসরশিংদা 'পব্লিক পর্ফোর্মেন্স ওইনা মীয়ামদা উৎথোকহন্নবগী ফিরেপ অসি লোইশিনখিবরা' - অচৌবা ৱাহং অমনি।

'আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট'কী ফিরেপ অসি চহী খুদিংগী পাঙথোকপা রিগ্যুলার ফিচর অমা ওইহনবা ঙম্লবদি 'ৱেলকম চেঞ্জ' অমা ওইনা তরাম্না ওকফম থোকই, পূম্নমক্লা। 'মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি'না পাঙথোক্লম্বা দ্রামা ফেষ্টিবেলদুসু বজেটনা মরম ওইদুনা তোকখিবা কুইরবনি, লন্নাই সংস্থানশিংনা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেলশিংদা মতেং পীবা নত্তনা।

অদুবু, চুম্মী/লাল্লি খঙদ্রিবা পাউ অমগা মখা তানা তারকই- 'থিএটর গ্রুপ অমগী লেঙদ্রবা পর্ফোর্মর/কলাকারশিং অতোপ্পা গ্রুপ অমগী পর্ফোর্মেন্স'তা চোংদুনা য়াওবা য়ারোই'। ৱারেংজরিবা ইশামক, শেন্থং অদু ফংবা লূপ অমত্তগী রেজিষ্টর্দ মেম্বর ওইরুদবনা ৱাফমসিগী 'ওফিশল-সর্কুলার' অমা খঙবা-উবদি লৈখিদে। চুম্মী/লাল্লি-চপ-চানা হায়বা ঙমদে। লূপ খরগী সেক্রেটরি/প্রসিদেন্ট খরনদি হায়রম্মী - 'মখোয়সু, ৱাফমসিগী অচুম অরান হায়বা ঙমদে... পাউ ওইনা তাবনি... কম্মিটি অমনা লেপ্পখিবা ৱারেপ্পি হায়...কনানা/কৈদৌঙৈ শেমখিবা কম্মিটিনো, মেম্বরনা কনা-কনানো অদুসু মখোয়দা কনানসু খঙহল্লকখিবা লৈতে'...।

ৱাফমসিনা অচুম্বা ওইরবদি, 'ৱাফম অসি তোকঙানি' হায়রুবদা কনানসু য়েৎলক্লোই। তোকঙা নত্তবা ওইরবা, অশেংবদু করিনো মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টেল ওথোরিটি'না শেংদোকফম থোকই মীয়ামদা। মরমদি ৱাফম অসি লায়না লৌবা য়াদবা অরুবা ৱাফম অমনি। থিএটর য়োকখৎপগী মিংদা কনাগুম্বা খরনা মশাগী ওইবা ইন্টরেষ্ট'তা থিএটর ওর্গনাইজেশন মচা-মচাশিংদা পান্দমফম ওইদুনা, লীলা পুথোকপদা অপনবা ওইনবা, তেঙ্গা থোংদনা কাপ্পা তেনকাপ অমগুম্বনি।

পূম্নমক খঙই- মণিপুরদা কলচর মিনিষ্ট্রিগী সেলরি গ্রান্ট ফংদুনা/মরা চেৎলবা ওর্গনাইজেশন ওইনা লীংদুনা লৈবা থিএটরদি খরতনি। মরাং কায়না লৈবা থিএটরশিংসিগী আর্টিষ্টশিং (মরু ওইনা নুপীশিং), এক্সপরিএন্সকীদমক চোইনা চাইনা লৈরিবা সংস্থান মচা-মচাশিংগী খূৎনেক ওইনা লীলা য়াওবা, চৎনরকই লমদমসিদা কুইরবগী মমাঙদগী। মেগা-থিএটর-ফেষ্টিবেল অমগী মোদেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা, সী এম এ টিগী শেন্থং মখাদা শেলগী মতেং লৌরগা পুথোক্কদৌরিবা লীলাশিংগী অচৌবা ইভেন্ট অসিদদি আর্টিষ্ট-পর্ফোর্মর অমত্তা অমগা-অমগা লামশিন্নদুনা য়াওবা য়ারোই পাউথোক্লক্লিবা, অমরোমদা, অফবা খোঙথাং অমনি। থিএটর-লূপ ময়ামসিদা মশা-মশাগী অশেংবা আর্টিষ্ট শেমগৎনবা অমদি য়োকখৎচনবা পীবা তাঞ্জা অমনি। শুমাং লীলাগী এক্টরশিং, নুপা-নুপী অনীমক, প্রোসিনিয়ম থিএটর মেদিয়মদা শান্নবা লীলাশিংদসু য়াওবা য়ারোই... ওর্গনাইজেশনশিং অসিবু মশা মরোমদোম হিংজনবগীদমক পীবা তাঞ্জা অমনি। গভর্ণমেন্টকী ওবজেক্টিভ ময়েক শেংই। অদুবু এক্টর-পর্ফোর্মরখক্তদা অখন্নবা মীৎয়েং করিগী? থিএত্রিকল পর্ফোর্মেন্স হায়বসিবু এক্টর, এক্ট্রেস, দাইরেক্টর খক্তনা শেন্বরা? লাইটিং, দিজাইনর, টেক্নিসিয়ন, ম্যুজিক দিরেক্টর, ম্যুজিসিয়ন, মেক-আর্টিষ্ট, দ্রেস (কোষ্টুম) দিজাইনর/মেকর, সেট দিজাইনর/কার্পেন্টরনচিংবশিং অসিদি থিএটর-ওর্গনাইজেশনশিং অসিগী কলাকার/মেম্বর নত্তবা খূৎনেক ঙাক্তা ওইগদরা? চহী কয়াদগী থেংনরক্লবা এক্সপরিএন্সনি - জগোয়-ঈশৈ-দ্রামানচিংবা পর্ফোর্মেন্সশিংবু অয়েংবশিংদা মশক থোক্লা উহনবীরিবা অমসুং পর্ফোর্মেন্স অদুগী ৱাহৈগী ৱাংমদা লৈবা কনাগুম্বা অমা নেক্লগা শিন্নথোকপা। ম্যুজিক অমসুং মেক-অপকী থৌদাংসু অদুমক্লি-কনাগুম্বা খরনা নৎত্রগা খূৎপু খরনা মোনোপোলি তৌদুনা অমদসু অমদসু মথৌ থৌদাং পাঙথোকপা। অদুসু, থৌদাংদুগীদমক অৱামল মন্তিক্লনা লৌরগা। মখোয়দুসু কলাকারনি। মখোয়দদি অমনা অমদা মতেং পাংনবগী থবক্তা অথিংবা থল্লিবসিনা কোনশিন্দবা করিগী? কনাগুম্বা খরনা লন্নাই ওইবা (ভেষ্টেৎ) ইন্টরেষ্ট'তা ফিরেপ অসি লৌননবা ইনশিনবরা? চিংনদনীংঙাই করি লৈ?

আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট'না ৱাফমসিদা 'হ্বাইট পেপর' অমা পুথোকপীরক্কনি থাজজে। তৌফম থোকই, তৌরক্কনি। ●

# মীংখৈনবীদ্রবা মরৈবাক মরমদমগীদমক্তা মথৱায় কখোকখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কৎচরিবা শৈরেং লাইরক 'তং তাদ্রবদা'

**- তোংব্রম অমরজিৎ -**



অইবী রাজকুমারী মীনা ৱাঙ্খে অঙোম লৈকায় ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তা পোকই। মচিল-মৌপ্পা মখোয় মঙাগী মনুংদা মহাক্লা নাইতোম পোকচবী নিঙোল ওইনা লৈখিদ্রবা রাজকুমার মহাবিরম্না অমদি অঙোম নিঙোল নিংথেমচামযূম ওংবী সুবদনিগী মমোম ওইনা ফংজখি। কবি অমা ওইনা লাইরিক ইবতা নত্তনা মহাক ওজাগী শিনফমদা লৈদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোয় কয়াবুসু তাকপী তম্বীবগী থবক তৌরিবী অইবী অমসুনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওদুনা লাকই অমদি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ৱাঙ্খেগী প্লেয়রসু ওইদুনা লাকই। হোকি অমসুং বাস্কেটবোল মশান্নদা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

ইবগী লম্বীদা মরু ওইনা খোঙদাবা হৌরকখিবদি স্কুল তম্লিঙৈদগীনি। শৈরেং ইবা অমসুং ঈশৈ ময়েকসু ইরকখি। মহাক্লা ইবা শৈরেংশিং চেফোঙশিংদা হাপ্তুনা লাকখি অমদি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা ব্রোদকাষ্ট তৌখি। অইবী অসিমক ফিল্ম স্ক্রিপ্টসু ইখি। অইবা মঙাগা পূন্না অইবী আর কে মিনাগা লোয়ননা ফোঙবা অহানবা শৈরেংগী লাইরিক 'লমদমসিদা চীংনুংসিদা' হায়বসি কুমজা ১৯৯৯দা ফোঙখি। অনীশুবা মহাক্কী শৈরেংগী লাইরিক 'তৎখ্রবা লংলা' মিংথোনবা অসিনা কুমজা ২০২২দা অমুক ফোঙখি। অদুগা 'তং তাদ্রবদা' মিংথোনবা শৈরেংগী অহুমশুবা লাইরিক ওইনা ফোঙদুনা মণিপুরী খোরিরোলদা খুদোল তম্লক্লি। লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৮২ য়াওরি। তোঙান তোঙানবা থিমদা ইবা শৈরেং য়াম্না য়াওরি।

লৈবাক অমা লৈরিবসি মশাগী শাংলবা হৌরক পুৱারী অমদি লৈজরিবনি। অসিগুম্বা পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা অফবা লুচিংবনা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকখি। ফত্তবা লুচিংবনা মীয়াম্বু অৱাফমদা তাহনবতা নত্তনা তুংদা হৌরক্লিবা খুন্নাইগী অনৌবা মীরোলশিংদা অফবা অচুম্বা লম্বেলদা লমজিংবীবগী মহুত্তা অরানবা লম্বেলদা লুচিংলিবনি। অদুনা অফবা লুচিংবা হায়বসি লৈবাক খুন্নাইগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা মীওইশিংনি। মখোয় অদুগী ভিজন অমদি মিশন অদু মীয়ামগী, খুন্নাইগী ওইনা য়াম্না কান্নবা অফবা থবক্লা মাঙ থাদুনা পাঙথোক্কদবনি। নত্তদুনা চিরোল অমদি লৌনম নমথাক্লা লৈঙাক্কনি হায়বদা অরানবা পোলিটিকেল আইদিওলোজিদা থাজরবদি অমম্বা লম্বেলদা অদুমক চৎপা তাবনি। অদুননি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংগী মীয়াম্না মীখলবু য়াম্না মরু ওইনা লৌদুনা মখোয়না আশা কয়াগা লোয়ননা মীখলদা খ্বাইদগী অফবা মীহুৎ খনবা তান্নরিবসি। পোলিসি মেকরশিং, লো শেম্লিবশিংনা মবুকচেল শেংনা তুংগীদমক খন্দ্রবদি মদুনা পূম্নমক্কী মাঙজবা হায়বদু ওইরি।

ঙসি ইরমদম মণিপুরদা থেংনরিবা ইস্যুশিং অসিগী ৱাখৈদি মীয়াম্না অফবা পুকচেল শেংবা, কখোকপা ঙম্বা ভিজন লৈবা লুচিংবা খল্লবা মতমদা অয়াম্বা ইস্যুশিংদি সোল্যুশন ফংগনি। অদুবু ঙসিগী ফীভম অসিদদি আশা তৌরুগদবসি অৱাবা অমা ওইরি। মসিগুম্বা মতমসিগী কন্টেম্পররি সেন্টিমেন্টতা য়ূম্ফম ওইদুনা কবি মীনানসু ইরক্লিবনি 'মায়থীরবা লুচিংবা' কবিনা ইরক্লি, মৈত্রবাক্কী তুমশিৎ ফাদ্রিবা/ময়ামগীদমক,/ মিকপ থোকহনগনি খঞ্জরুবা/চেক্লা অমা,/ শকচরম্মী য়াকাইরোল নীংথিরবা শুরদা।/... গনতন্ত্রগী ৱাহন্থোক লৈত্রবা/ঙসিগী খুন্নাই অসিদা/হিংখিসিরা ঐখোয়?... হিংখিবা তাবনি হয়েংগীদমক" (লা: ১)



রাজকুমারী মীনা

লাইরিক্কী মমিং :- **তং তাদ্রবদা**
অইবা :- **রাজকুমারী মীনা**
অফোঙবা :- **অইবী মশানা ফোঙবা**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
লাইরিক্কী মখুম :- **কোন্থৌজম মাইকেল মীতৈ**
লমায় মশীং :- **২০০ (মীতৈ ময়েক য়াওরগা)**
মমল :- **লুপা ৩৯৯/-**




তাইবঙপাল অসিদা লৈরিবা মীওইবা কৌবা মহাক্কী ৱাখলদা পূক্লিংদা করি করিগুম্বা মতমদা লাই লৈ হায়না থাজবা কাঙলূপ অমা অমদি লাই লৈতে হায়না খঞ্জবা কাঙলূপ অনী থোক্লা লৈরি। লাই লৈ। তাইবঙবু শেম্বীবা মপু অমা লৈরি। মহাক্লা পূম্নমক অসিগী মপুনি হায়না খনবা, নীংবা কাঙলূপকী মীওইশিংনা তাইবঙপান অসিবু মাঙনবা তৌবগী চাং খরা হন্থনা লৈ অদুগা ইশ্বর থাজদবা মীওই কাঙলূপ অসিগী মীশিংনা ফত্তবা থবক তৌবগী চাং অসি খরা হেন্না লৈ হায়না থাজনৈ। লিননা চিকত্রিবা মীনা লিনগী মহূ খঙদে। শেৎন-খায়নবগী মৈশা লাংদ্রিবা মীনা মসিগী অৱাবা খঙদে। অদুনা হায়নরি পূন্সিগী ৱাহন্থোক খঙনবা হোৎনবদা মফম অহুমদি হকথেংননা চৎলুবা তাই। মফমশিংদুদি, অশিবা পোৎলোইফম মোংফম, অনীশুবদা অনাবশিং লায়কন্নরিবা হোস্পিটাল অমদি অশিবা থম্ফম মোর্গ। মফম অহুমসিনা মীওইববু ৱাখল খন্থহল্লি। পূন্সি হায়বসি অসিনি। পূম্নমক নোংমা চৎখিগনি থাদোক্লমদুনা, মতম খরগী থোল্লিবা ফি, চারিবা তাইবঙ চীঞ্জাক অমদি উরিবা মালংপাল। মসিবু খঙনবা হোৎনরুবদা ইরকপা শৈরেংনি খল্লি অইবী মীনাগী 'মৈশানা ৱায়রবদা' মিংথোনবা শৈরেং অসিমক। "মৈরিনা ৱায়রবা অচাকপা/ঐহাক্কী থোৎলবা হকচাংনি/অরেপ্পা নায়দনা চাক্লিবা/ঙসিগী শারবা মৈশানি।/মৈতালনা ৱাখৈবা মপোকনি/মোংফম্নি অনকপা তোর্ব্বান্না/শিবনা পোলোইনি অরোইবা/অকাউবনা লোইগনি মীওইবা..." (লা: ৫)

মহৌশা লাইরেম্বী মহাক্কী মশাইকোলদা হিংলিবা মীওইবনা নাপল কানা মতোমতা লৈনীংলকপা, অচাওরম কারকপা অমদি পেন্নাইদবা লীচৎনা ঙসিদি মীওইবা মশানা তৌজরুবা ফত্তবা থবক্কী মহয়না অৱা-অনা কয়া মায়োক্নরক্লি। খুদোংথীবসু হেন্না মায়োক্নরক্লি। অসিগুম্বা হীরম কয়াদা ক্রাইসিস লৈরবা মতমসিদা মহৌশা মহাক্লা পাউমেল্লকপা অদুগী ৱারোলশিং অইবনা পুথোক্লক্লি হায়বা য়াই 'প্রকৃতিনা হায়' হায়রিবা শৈরেং অসিদা ফোঙদোক্লিংলিবসি। অদুনা কবি মীনানা ইরক্লিবনি, "উরিনা য়েৎলিবা পামেলসে/পূন্না চাক্তারিবা চেক্লা শঙ্গুসে/অরোইবা য়াহিপ তানগদবা ঙাক্তনি/অহান-অকোনগী ৱাদনি।/নরু লুকনা-লুকনা লৈয়ু/ঐগী হায়বা থমদনা/ঈশ্বরগী মফমদা শীন্নরগা।/... পূন্সি চেঙজেল লোইবদা/তাইবঙ শিন্থা থাদোক্তুনা/খুবাম তিংনা হনখিগনি/পুখিগদবদি শেংলবা মহৈতনি।..."

(লা: ১১) শক্ল-শোন্নহৌগদবা অফবা থবক খরা তৌনীংলম্বদুনি অইবীনা খঞ্জরিবসু।

হিংলিবা মীওইবগী পূন্সি কয়ানা তাইবঙগী অরং অরাক্কী পূন্সি অসিমক শিনাইদবগুম নীংশিংলুদে তোয়না নোংমা মতমদুনা লাক্লবদি করিসু পুদনা ইহাঙ হাঙনা হনখিগনি হায়বসি। অদুবু মীকুপ খরগী তাইবঙ লীলাসিদা পোক্লুরবা কৌবনিনা তান্নরি অহেনবা লন-থুম পৈশিল্লি পেন্নাইদনা। মসি পূম্নমক্কী অরোইবা মতম অমদি লৈরি। খুন্নাইসিদা থেংনরিবা ইস্যু ময়ামসিগী হৌরকফমদি করাম চাউবা, মীহৌ চাউবা, মশাগী ওইজবনা মাঙদা থমদুনা লৈঙাক পায়নীংবনা ওইহল্লক্লিবা ফীভমনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙই। অসিগুম্বা য়েংলু য়েংলুবদা অশোয়বা অহোবা কয়া থেংনরিবা মতমসিদা লমদমসিদা শৈরেং অসিগী ৱাহন্থোক অসিমক য়াম্না চাশিন চুশিন্নরি হায়বা য়াই। অদুনা কবিনা ইরক্লি, "খল্লুবদা উরুবদা' মিংথোনবা শৈরেং। "ময়োল খুইরবা আশা/মৈচাক খাংলবা থম্মোয়/ইকায় ফীরুক খুল্লবা মায়থোঙ/চমম্নুনা ফুম্থংনরবা ৱাখল/লোইবা নাইবা লীলানি।/ঙসিগী ৱাথোক ময়ামসে/কনাগী মরাল ওইগনি?... পেল্লো করাম্বা থম্মোয়শিং/লোইরে মীহৌবা মপোক..." (লা: ৩১) কবিনা পাউজেল অমদি পীনীংলি। পাউজেল অদুদি কা হেনবা 'মনবা' হায়বসি থাদোক্লো হায়বগী আপীলনি। শৈরেং ইরিবগী মরমসু য়ানীংদবা, নুংঙাইতবা ময়ামদুগী খোঞ্জেলনি। ফত্তববু অফবা ওইহঞ্জনীংবদুনি অমদি অফবা মীওইবা খুন্নাই অমা শেমজনীংবগী পূক্লিং ইহুলনি উরিবসি।

মিংথোল ওইরিবা শৈরেংনি 'তং তাদ্রবদা'। চরাংনবা, নে তাদ্রবা পূন্সি মহিং অমদনি ঙসি মণিপুরনা হিংলিবসি। মীওই লিশীং কয়া রিলিফ কেম্পতা হিংলি। চৈনা খাঙলি। তূম্বা য়ারমগদ্রা নে তানা। পূন্সিগী ৱাহন্থোক লৈরমখিগদ্রা মখোয়গী। ৱাহং কয়ানি। পাউখুম্না কনানা পীগদৌরি। কনফ্লিক্ট সিচুএশন অমদা হিংলিবা মীওই অমা ওইনা কবিনা থিরক্লি পূন্সিগী ৱাহন্থোক অমা। আশা অমগা লোয়ননদি থিরি ফংলকখিগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা। অদুননি হায়রক্লিবা, "অহিংগী অচিকপা থুগাইদুনা/খল্লম্মী ৱাখল কয়া নুংহিক্লনা।/পল্লেপফম পন্থুংফম খঙদনা/কদায়দা লোইগনি করম্বা মতমদা?/... থিখিসি হংখিসি মায়কৈ পূম্বদা/খোঞ্জেলসে তাখিসি অনকপদা লাউরিবসে।" (লা: ৮৯) তশেংবসু অচুম্বদুদি য়াম্না নক্লা লৈরিবনি। অচুম্বা মহাক্কী শঙ্গায় অদুগী ছো অদুনি অমদি খুর্জি অদুনি চেকশিন্না পায়নবা হোৎনগদবদি। মসিবু উবা অমদি য়েংবা হৈবা মথৌ তারি। লেপ্তুনা থিবা অমদি চঙলি।

মণিপুরী খোরিরোলদা মথংগী শৈরেং লাইরিক অমগী আশা তৌজরি অইবীগী মফমদা। থাজবসু থমজরি শৈরেং লেপ্তুনা ইরক্কনি হায়না। ●

# মুন্না খল্লু

**- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -**

বি পি ষ্ট্রোক তৌদুনা চৎপা ঙমদ্রে হায়বদুদা হংবা চৎলুবনি খুরা তোম্বহোয়দা। অদুবু কয়াদি নুংঙাইরে, মচা অফবা পোকপনিনা। গুজরাটতা আর্মি ওফিসর ওইরিবা মচানুপাদুনা পুশিন্দুনা লায়েংবদা ফরে হায়দুনা লৈরম্মী। খুরা তোম্বনা গুজরাটতা খিলহৌবা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা "the Statue of Unity" গী ৱারী লীরকই। ষ্টেচ্যু অসি ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টর মোদিজিগী মঙলান্দগী মঙফাওনখিবা, ইন্দিয়াবু অমত্তা ওইনা পুনশিলহন্নবা হোৎনরম্বা, আইরন মেন ওফ ইন্দিয়া হায়না খঙনবা সর্দার বল্লভভাই পটেলগী মীতমনি। মীগীদি মরৈবাক মরমদম নীংবা মোদিগুম্বা লৈবনিনা ইরায় লায়না মীতম অদু খিলহৌরে। ঐসু অফবা ইচা পোকপদগী য়েংজবদি ফংজরে।



মমা-মপাবু নীংবা অফবা মচা ফংজবা হায়সি মহৈ য়াল্লবনি মীওইপোক্তদি। অহল-লমনগী, ইমা-ইপাগী মতু নাম্মা কেনবা য়ারোই খঞ্জবা মচা লৈরবদবু করিদা ৱারুনি হিংবগী। মখা তারকই খুরা তোম্বনা- ঐখোয়গীদি চীংনা ইকোয় কোয়শিনবা অপীকপা লৈবাকসিদদি... খঙদ্রেদা। ঐখোয়গীসু আইরন মেন ওফ মণিপুর অমা মথৌদি তাবনি।

ঐখোয়গীদি শেলগী খক খল্লগা খুন্নাই অমবু অমুক হন্না হৌগৎপা ঙম্লরোইদবা তমথীবা করবারদগী হৌখিবা মীসু য়াওরিবনিনে, অদুদগী ভোট অমুক লেপ্পক্কনি, ভোটতুসু শেল পায়রবনিনা অমুক কারক্কনি, মীচম-মীয়াম্থুনা তুমিৎ-কাং ওইনা অমুক খল্লক্কনি। মীচম মীয়াম্নসু মশা মশাসি করিনো খঙজররোই। লৈবাক কায়বগী মতম লাক্লবদনা অমুক মপান্দা চেল্লগা লৈনবা অমুক হোৎনরক্কনি। হয়েং মোইনা চেল্লগা মীরমদুদা লৈরুবদা, নোইদি করি লমদগীনো হংলকপদা মণিপুরদগীনি অমুক খুল্লুদোইবা।... মসিদনি ঐনা পেন্দ্রিবা হায়না খুরাদুনা মাগী পেন্দবা ৱারী কয়া অমা লীবীরকই।

...প্রমান ওই পান্থে ওই ৱারী অমসু লীবীরকই অসুম্না- থায়না থায়না মমাঙঙৈদা ঙাপ্রুম ফাবা হৈবা নীপা অমা লৈরম্মী। মানা হৈবগী চাংসি মাগী মখূৎতুগী শামিন খজিক্তং ফংবদা ঙাপ্রুম পুম্বা তেথহনবা হৈবা নিপানি। নোংমদি লৈবাক্কী কোনুংদগী নিংথৌগী পাউজেল অমা লাকই। ঙাপ্রুম ফাবা হৈবা নিপাসিনা অমুক্তংদা ঙাপ্রুম পুম্বা ফাবা ঙম্লবদি ফরে, ঙমদ্রগনা নঙ অদুম তোকচরে। পাউ অসি তাবদা ঙাপ্রুম ফাবা নিপাদু খজিক্তংদি চিংনজৈ থম্মোয়নুংদা। মাগী চিংনবসি অসুম হেঞ্জিল্লক্তুনা ৱাখলদা চরাংনবা খম থেংনা ফাওহল্লি। ঙাপ্রুম ফাবা হৈবদা মমিং চৎলিবা মাবু হন্দক মতাংসি চোপ্তুনা তোক্লগদ্রা?

মতোমতা হংজৈ ঙাপ্রুম ফাবা লুই হায়বসি ঐ খঙই। মমৈথংদা অকনবা পাউথাং লাক্তুনা ঙাপ্রুম ফানবা হোৎনৈ অদুবু ঙাপ্রুমগী মমৈদা শিকচহৌবা নত্তনা মা পান্থে লৈখিদে...

ৱারীসি মুন্না খল্লু, হয়েং অমুক লাকউ হায়রকই। সর্দার বল্লভভাই পটেলগী মীতমদুমক চাউবা নৎত্রসু মশুং অমতংমুক চাউবা খিলহৌবা য়াবা লুচিংবা মথৌ তারি ইরমদমসি... খঙদনা ঐখোয়না অফবা লুচিংবা মীনি, ফৈ-ফৈ খিল্লুরগা হয়েংৱাই অমুক থুগাইনবদি তল্লিকো হায়রকই। মীচম মীয়াম্না পেন্দবা লৈঙাক অমা হায়বসিসু হন্দক্তা থোকখিবদুনি বাংলাদেশতা, তাইনফম খঙদদনা লৈবাক্তুবু পোকপীরম্বা Father of the nation Sheikh Mujibur Rahman গী মীতম কয়া থুগাইদুনা ইন্থুখিবদো, .... কোক ৱাংখ্রেদা খুরা তোম্বদো! অকোনবদা শক্লাইরবা লীলারোই কৈরাও রাজেনগী লীলাদা ঙাঙখিবা দাইলোগ... ধপতি হায়বদুসু পল্লকই! ●

# ৱারীনি তুরেল ৱাংমগী (তন্দনগুম ঙাল্লম্বা নুংশিবা অমগী ৱারী)

**- সলাম তোম্বা -**

শৈরেংদা কল্পনা শীজিন্নৈ। ঐখোয়না মদু পারগা ইশানা ৱাহন্থোক শেমজৈ, মদুদা নুংঙাইবা ফাওই, পেঞ্জৈ। অদুবু ৱারী মচাদা, নোভেলদা কল্পনা, সিম্বল শীজিন্নবদি তাঙনা থোকই। অদুবু ঙসিদি অমা থেংনরে, তুরেলগী সিম্বল ওন্থোক্লা ফজনা শীজিন্নখ্রে। ঈখায় চেনখ্রবা ইফুরুপকী ঈচেলনা ঈগী হৌরকফম থিরকপনি, চীংলোন লান্না, অদুসু চীংলোন অমতা নত্তে, চীংলোন অমগী মথংদা অমা, অদুগা ঈপাক তম্লকপা ঈচেল মচানি। অদুনা লোইদে, অমুকসু ঈগী খোঙ্গুল লীরুরি, তামখ্রবা চিনদ্বিন তুরেল তান্না, নীংথি তুরেল য়ৌনা। অদুবু অইবনা চীংলোন ৱাংমগী ৱারীসিবু কৌজরি, তুরেল ৱাংমগী ৱারীনি। মসিনা হেন্না ফজখ্রে। হেন্না পানীংবা পোকহল্লে, মমিংদগী হৌনা অপাবগী থম্মোয় ফাবা ঙল্লে। পারুরগদি থেংনরে, তন্দনগুম ঙাল্লম্বা নুংশি ঈচেল মচা অমা। কনানা হায়গনি, ঈচেল নত্তে, কোমকুৎতা তুংবা লাইজনি, কনানা হায়গনি, লৈরাই নমখায়বা ঙমজদ্রবা লৌখোংগী ঈচেলনি। অদুবু পিক্লবসু রাশি লৈনা শেমখ্রে লৈচল অসিমদি। জোন কীটসনা হায়বা ৱা নীংশিংলক্লে- "খোংলিবা বাঁসিসু নুংশি, অদুবু খোংবা অসিদগী খোংদ্রিবা বাঁসিনা ঐঙোন্দদি নুংশিবা হেল্লি।" চুমখ্রবা ৱানি খোংদোকখ্রবা বাঁসিদি মপূন্সি লোইরে। খোংদ্রিবা মাগীদি মপান নাইদে। অদুমক্লি, মসিগী নুংশি ৱারী অসিনা পীরিবা ঈঙ্গিৎ। পোমশাৎনবী লৈহাউ লৈরেলমক্লি। মমিংনা - "ৱারীনি তুরেল ৱাংমগী" কৌই। ইরিবনা মোং হাজদবা, শাংনা ইগন্দবা, হান্নসু মশাগী 'তোর্ব্বান্দুদা" কৌবা নোভেল মচা অমা পুথোকখ্রবা নহা অমনি। মমিংনা চোংথাম দীপু। মাগী অনীশুবা খূৎথানি। তুরেলনা চীংলোনগী সিম্বল ওইনা শীজিন্নরি। পারুরগদি অপাবা খুদিংনা হায়গনি, মসিবু নোভেল্লা, ৱারীমচারা? ঐদি হায়গনি, অনীমক ওইবা য়ানি। নোভেল্লা অমগা ৱারীমচা অমগা খেন্নবসি শাংবদা নত্তে। খূৎইদনি। ৱারীমচাদা লামায় ৫০ হেনবা ঐখোয় পারে। Franz Kafka গী Metamorphosis কৌবা ৱারীমচাদু লামায় ৫০ শাংনা ইরি, Anton Chekhov কী 'A Dreary Tale' হায়বা ৱারীমচাসি লামায় ৬৯ শাংলি। অদুনা লামায় মশীংনা মখল লেপ্পা য়াদ্রি। অদুবু খূৎইদা অনীসিগী ঈখায় অমদি লৈনৈ। Novella হায়বসি নোভেল মচা হায়বনি। মচৎতি নোভেলগী ওইবা তাই। ৱাহৈ অসিমক ইটালিয়ন, ফ্রেঞ্চ অইবশিংনা হৌদোক্লকপনি। ৱারী মরক নোভেল মরক্কী খূৎইদা শীজিন্নরম্মী। খুদম ওইনা Boccaccio গী ৱারী ১০০, Decameron বু মখোয়না মখল অসিদা থল্লি, Marguerite কী Heptameron হায়বদুসু মখল অসিদা থল্লি। ঙসিগী নোভেল হায়না কৌনরিবসি মখল অসিদগী চাউথোক্লকপনি হায়রি। শম্না হায়রবদা অতেনবা নোভেলবু খঙনরে। মসিবু Novellete হায়নসু কৌনৈ, ৱাহৈ লিশীং ৩০/৪০গী অশাংবা ওইবা অদুবুনি।




অদোমদা য়েংলবদি দীপুগী লাইরিকসি মুন্না য়েংবদা Novella অমদি ওইরে। অদুবু মসিনা য়াদ্রি, লৌখৎলিবা হীরম (theme) অদু কমদৌনা পাউদম্লি হায়বদু য়েংদবা য়াদ্রি। নোভেলগী শাজৎ, ৱারীমচাগী শাজৎ মান্নদ্রি। নোভেলদি Description ৱাৎপা য়াদে, Sub-plot লৈবা তাই, মাদি Compact deal অমনি। ৱারীমচাদি Shortest route থিবনি, খ্বাইদগী য়াঙনা, শম্না ৱাহন্থোক মাঙহন্দনা লীবা খূৎলিনি। অহৌবা ৱাহৈনা অপাবশিংবু ফাদুনা পুরগা লোইশিন্দবা হিদেন অমা থনমগদবনি।

পূম্নমক অসি য়েংলুরবদি দীপুগী ৱারী খূৎলিসি Novella গী নাকলদা ঙমথরি। ৱারী লীশাংগী শাহৌদা ইবা হৌরকই। ৱারী লীশাংগী খূৎলোইদা লোইশিল্লি। হেক মনীং মমাঙ ওন্থোক্নরগা লীরম্লবদি ৱারীমচা অদুম ওইরদবনি। অমা ওইরসু, অমা ওইরসু ফজবা লাইরিক অমদি ওইরে। অইবা মীগী Intention ফজরে, খোঙ্গুল খূৎলি চুম্লে, ঈগী মরীদি মফম্না মতম্না হোংহনবা ঙমদে হায়বদু উৎলে। মদুদা তন্দনগুম ঙাল্লম্বা নুংশিবা হায়বদুনা মচু লোক্লে। দীপু মশক ফন চোংথোক্লক্লে। *(মখা চথজরকখিগনি)*